**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 17.05.2024)**

**অকাশবানি ইম্ফালগী নুমিদাং পুং ৭:৩০ গী মণিপুরী পাউ**

**(তাং ১৭-০৫-২০২৪, ইরাই)**

--সিগনেচর ট্যুন--

**---অকাশবানি ইম্ফাল ঙাঙোম কিরননা পাউ পাজরি---**

**--অহানবদা মরুওইবা পাউ--**

১) ৱার্ল্ড হায়পরতেন্সন দেগী থৌরম ঙসি মনিপুরদসু মফম কয়াদা পাঙথোকখ্রে।

২) অঙাংশিংবু দ্রগকি চৈথেংদগী কলহৌনবা মহৈশঙশিংদা কাউন্সিল্লরশিং থন্বা তঙাই ফদ্রে হায়না মনিপুর কম্মীসন ফোর প্রোতেক্সন ওফ চাইল্ড রাইটসনা হায়রি।

৩) রাজ্য অসিবু হেন্না চাউখৎহন্নবগীদমক রাজ্যপাল অনুসুইয়া উইকেনা তোঙান তোঙানবা মীওইশংগা উন্নখ্রে।

৪) বি.জে.পিগী মীরেপ অভিজিৎ গঙ্গোপাধিয়াইনা ফজবা ৱাহৈ ৱাতা শিজিন্নরুবগীদমক ইলেক্সন কম্মীসন ওফ ইন্দিয়ানা সো-কোস নোতিস থাখ্রে।

**অমসুং**

৫) ভারতকী সমুদ্রদা আইন কায়না ঙা ফারম্বা শ্রীলঙ্কাগী হি মঙা ইন্দিয়ান কোস্ত গার্দনা ফারে।

**-----সিগনেচর ট্যুন---**

**দে(এল)ঃ** ৱাৰ্ল্ড হায়পরতেন্সন দেগী থৌরম ঙসি মনিপুরদসু মফম কয়াদা পাঙথোকখি। কেন্দ্রগী হেলথ এন্দ ফেমিলি ৱেলফ্যার মন্ত্রালয়গী নেসনেল প্রোগ্রাম ফোর নন কম্যুনিকেবল দিজিজেসনা শিন্দুনা লম্ফেলপাৎতা লৈবা হেলথ সার্ভিসেস দাইরেক্তোরেত্তা পাঙথোকখিবা রাজ্য থাক্কী ৱার্ল্ড হায়পরতেন্সন দেগী থৌরমদা নন কম্যুনিকেবল দিজিজেসকী ষ্টেট নোদেল ওফিসর ডা: যুমখায়বম প্রেমচন্দ্রনা হায়- কুমসি চহিগী ৱার্ল্ড হায়পরতেন্সন দে অসি - মিজর য়োর ব্লদ-প্রেসর একুরেটলি, কন্ট্রোল ইট, লিব লোংগর হায়বা থীম অসিদা পাঙথোকপনি। হায়পরতেন্সন হায়বসি মতম চানা চেকশিন থৌরাং লৌখৎহৌদ্রবদি য়ামা শাথিবা লায়না কয়া ওইরকপা য়াই । মরম অদুনা ব্ল-প্রেসর ৱাংব্রা হায়বসি তোইনা চেক তৌথোক্তুনা, ৱাংলম্লবদি মদুবু নিংথিনা কন্ট্রোল তৌনবা হোৎনবগী তঙাই ফদবা লৈ।

**--সাউন্দ প্রেমচান্দ্র-**

ৱার্ল্ড হায়পরতেন্সন দেগী থৌরম ঙসি ময়াই লম্বী কলেজতসু পাঙথোকখি। ৱাঙ্গোইগী কম্যুনিতি হেলথ সেন্তরগী নন কম্যুনিকেবল দিজিজেস সেলনা শিন্দুনা পাঙথোকপা থৌরম অদুদা ৱেষ্ট অমসুং সার্ভিকেল কন্সেরগী মতাংদা অখঙ অহৈশিংনা ৱা ঙাংখি। ইম্ফাল ইষ্টকী নন কম্যুনিকেল দিজিজেসগী মখাদা অয়ুসমান অরোগ্যা মন্দির হৈক্রু মখোংদা ৱার্ল্ড হায়পরতেন্সন দেগী থৌরম ঙসি পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা ইম্ফাল ইষ্টকী নেসনেল প্রোগ্রাম ফোর নন কম্যুনিকেবল দিজিজেসকী দিষ্ট্রিক্ট নোদেল ওফিসর ডা: টি.ঐচ . সহিদা দেবীনা অসুমা হায়-

**--সাউন্দ সহিদা--**

**আর্মী দেঃ** মালেমগী হায়পরতেন্সন নুমিৎকা মরী লৈননা ভারত লান্মীনা ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী মনুং চনবা খুরখুল মখা লৈকায়দা মেগা মেদিকেল কেম্প অমা পাঙথোকখ্রে। ওপরেসন সদভাবনা প্রোজেক্টকা মরী লৈননা স্পিয়র ক্রোপসকী মীৎয়েং মখাদা আর্মী ফিল্ড হোস্পিতালনা মিলিটরি সিভিক এক্সনগী মনুং চন্না মেদিকেল কেম্প অদু পাঙথোকখিবনি । মদুদা রিলিফ কেম্পতা লৈবা মীওইশিং য়ালনা খুরখুল অমদি খুল অসিগী অকোয়বদা লৈবা তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা পুন্না মীওই ৭০০ রোম লায়েংখি।

কেম্প অদুদা হিদাক লাংথক লেমা য়েন্থোকপদা নত্তনা বি.পি মেছিন,নেবুলাইজরস, লুম্বর বেল্ট, গ্লুকোমিতর য়াওনা অনাবাশিংনা শিজিন্নগদবা খুৎশুখুৎলায় কয়াসু লেমা য়েন্থোকখি।

**এমসিপিসিআর(এল)ঃ** রাজ্য অসিগী চহি ১৮ মপুং ফাদ্রিবা অঙাংশিং দ্রগ শিজিন্নবগী চাং ৱংখৎলকপনা মহৈশঙ খুদিংমক্তা ত্রেন তৌরবা অঙাংগী কাউন্সিল্লরশিং থন্বা তঙাই ফদ্রে হায়না মনিপুর কম্মীসন ফোর প্রোতেক্সন ওফ চাইল্ড রাইটস (এম.সি.পি.সি.আর)গী চিয়রপরসন কৈশাম প্রদিপকুমারনা হায়রি। অঙাংশিংনা দ্রগ শিজিন্নরকপা অমদি পুথোক পুশিন তৌবগা মরী লৈননা ঙসি মনিপুর প্রেস ক্লবতা পাঙথোকপা রাজ্য থাক্কী খন্না নৈনবগী থৌরম অমদা শ্রী প্রদিপকুমারনা ৱাফম অসি ফোংদোকখিবনি।

নেসনেল কম্মীসন ফোর প্রোতেক্সন ওফ চাইল্ড রাইটসনা এম.সি.পি.সি.আরগা খুৎশমদুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা সোসিয়েল ৱেলফ্যার বিভাগকী দাইরেক্তর ঙাঙোম উতম , ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী দি.সি খুমন্থেম দাইনা, নাবকী এস.পি দব্লিউ বাসু অমসুং ইদুকেসন এসকী সেনিয়র রিছার্স ওফিসর ইবেচাওবি লাইশ্রম য়াওনা মরী লৈনবা ষ্টেক হোলদরশিং শরুক য়াখি। থৌরম অদুদা এম.সি.পি.সি.আরগী চিয়রপরসন কৈশাম প্রদিপ কুমারনা হায়-চহি ১৮ মখাগী অঙাংশিং দ্রগকী লাংদা থুবগী মশিং হেনগৎলক্তুনা খুদোংচাদবা কয়া থোকহল্লক্লি।

সমস্যা অসিবু থেংন্নবা তঙাই ফদনা পায়খৎপা য়াবা থৌরাংশিংগী মনুংদা মহৈশঙশিংগী অকোয়বদা মিতর ১০০ গী মনুংদা লৈবা মফমশিংদা ময়াই কাবা চিঞ্জাক য়োনবা থীংবা, ত্রেন তৌরবা অঙাংগী কাউন্সিল্লরশিং স্কুলশিংদা থন্বা য়াওরি। থৌরাংশিং অসি পায়খৎপদা এম.সি.পি.সি.আর খক নত্তনা পুলিস, ইদুকেসন অমসুং সোসিয়েল ৱেলফ্যার বিভাগ অমদি ষ্টেক হোলদরশিংনা পুন্না থৌদাং লৌমিন্নবা তঙাইফদে হায়না চেয়রপরসন অসিনা মখা তানা ফোংদোকখি।

**--সাউন্দ এমসিপিসি--**

**অমজ্(এল)ঃ** কিহোম থাবনা মপুং ওইবা শিনফম ওইরিবা ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী থৈয়োং অমসুং তামরাম খুলগী খুঞ্জাশিংনা মতমগা চান্নবা কোল্ড স্তোরেজ অমসুং ফুদ প্রেসেসিং য়ুনিত শাবিনবা সরকারগী পুকিং শিংশিল্লক্লি। ৱাফম অসি ওল মনিপুর ৱার্কিং জরনেলিস্ত য়ুনিয়ন(অমজ্)গী চহি ৫০ শুরকপগী গোল্ডন জ্ব্লি থৌরমগা মরী লৈননা হোর্তিকলচর স্কিমশিংগী মতাংদা চথুরকপা নুমিৎ নিনিগী ওইবা ৱার্ক্সোপকী অরোইবা নুমিৎতা ঙসি পাউমীশিংনা লৌমীশিং অদুগা অখন্ননা উন্নবা অদুদা ফোংদোরকখিবনি। হিরম অসিগী মতাংদা অকাশবানি ইম্ফালগী অখন্নবা পাউদম অমা --

**--সাউন্দ গঙ্গা--**

**দিআইপিআর(এল)ঃ** মনিপুরদা তংদু লৈতাবা হঞ্জিল্লকবা হোৎনরিবা রাজ্য অমদি কেন্দ্র সরকারগী থৌরাংশিংবু মীংচৎ থীহনবা মানবা মওংদা দ-হিন্দু পাউচেগী ইদিতোরিয়েলদা ফোংলকখিবা ৱাফমবু রাজ্য সরকারনা নকল অমত্তগী ওইবা য়ুম য়াওদবা পাউনি হায়না থল্লক্লি।

মনিপুর সরকারগী দাইরেক্তোরেট ওফ ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিক রিলেসননা চেরোল অমদা হায়- কামজোং জিলাদা আইনগী ৱাংমদা মীতোপ চংশিল্লকপা থেংনরে হায়বা মুখ্য মন্ত্রিগী ৱাফমবু লাননা ৱাহন্থোক পীদুনা ফোংলকপা অসিনা মনিপুরদা থোক্লিবা ৱাথোক অসিগী মতাংদা পাউচে অসিনা মরিক চুমা খঙদ্রে হায়বা তাক্লে।

**মৈ(এল)ঃ** ইম্ফালগী মন্ত্রিপুখ্রিদা ঙসি য়ুম মৈ চাকপগী থৌদোক অমা থোকখ্রে। অদুমওইনমক, মীশি মীনা, অশোক অপন থোকখিবগী পাউদি লৈতে। থৌদোক অসিগী মতাংদা মনিপুর ফাইয়র সার্ভিসকী ফাইয়র প্রিভেন্সন ওফিসর রোনা ৱাইখোমা অকাশবানি ইম্ফালদা হায়- ঙসি নুংথিল পুং ১ মিনিত ৪৭ অদুৱাইদা মফম অদুদা মৈ চাকপগী পাউ ফংবদগী ফাইয়র তেন্তর ৫ চংশিন্দুনা মৈ কনবগী থবক চথুখি। থৌদোক অদুদা য়ুম অনিগী কা - ১৭ মৈনা চাকখ্রে। মীয়ামা য়ুম শাবা মতমদা মৈহৌ লাংপোক্তগী ঙাকথোকবা চৎনা কাংলোনশিং ঙাকা চৎনবসু শ্রী রোনানা ফোংদোরকখি।

।

## --তাবীরিবা পাউ অসি অকাশবানি ইম্ফালদগীনি--

**রাজপাল(এল)ঃ** এন.সি.সি ইম্ফালগী গ্রুপ কম্যান্দর ব্রিগেদিয়র এস.আর.শর্ম্মনা ঙসি ইম্ফালগী রাজ ভবনদা রাজ্যপাল অনুসুইয়া উইকেগা উন্নদুনা রাজ্য অসিদা এন.সি.সি কেদেতশিংবু ত্রেনিং পীবগী মতাংদা মরিক চুমা পাউদমখ্রে। এন.সি.সিগী মোতো- অপুনবগী শক্তম অমসুং থকশি খাসি লৈবা হায়বা ৱাফম অসি ঙাকা এন.সি.সি কেদেটশিংবু মরৈবাক নিংবগী ৱাখল্লোন হেনগৎহন্নবা তাকপী তন্বীরি হায়না ব্রিগেদিয়র শর্ম্মনা ফোংদোকখি। রাজ্যপালনসু এন.সি.সি হেদ ক্বাতর ইম্ফালনা লৌরিবা থৌদাংশিংবু থাগৎপা ফোংদোকখি।

মনিপুর য়ুনিভার্সিতি ওফ কলচরগী ভাইস চাঞ্চেল্লর প্রোফেসর পাডনম গুনিন্দ্রো সিংহ অমসুং কেন্দ্রগী কলচর মন্ত্রালয়গী এদভাইজর দেবেন্দ্র শর্ম্মগসু ঙসি রাজ ভবনদা রাজ্যপাল অনুসুইয়া উইকেগা উন্নখ্রে। উন্নবা অদুদা প্রোফেসর গুনিন্দ্রোনা য়ুনিভার্সিতি অসিনা কালা সংস্কৃতি চাউখৎহন্নবগীদমক মহৈরোইশিংবু তাকপী তন্বীরিবা অদুগা মতাংদা পাউদমখি। য়ুনিভার্সিতি অসিগী পার্মেনেন্ত কেম্পস অমা অথুবা মতমদা লৈহনবিনবসু মখোয়না রাজ্যপালদা তকশিনখি ।

**লন্বী(এল)ঃ** পি.এম. জি.এস.ৱাইগী মখাদা নোংমাইখোংগী খা থংবা অমসুং নোংচুপ থংবা শরুক ফাওনবা ইম্ফাল তুরেলগী মথক্তা ভেল্লি ব্রিজ অমা হৌজিক শাবনা মরম ওইদুনা নোংমাইখোংগী নোংচুপ থংবদা লৈবা খোর্দাক নোংমাইখোং লন্বী অসি মতম খরা চৎথোক চৎশিনদা অথিংবা লৈরগনি হায়রি। মীয়ামা মতম খরাগী ওইনা নোংমাইখোংগী নোংপোক থংবা লন্বীরোমদা চৎন্নবা থোং অসিবু শারিবা এন.দি.এস কন্সত্রক্সননা হায়রি।

**নোনে(এল)ঃ** সেদ্যুল ত্রাইব মহৈরোইশিংগী কেরিয়র গাইদেন্স প্রোগ্রাম অমা ঙসি নোনে পার্ট-থ্রিদা লৈবা মল্টি পরপজ ইন্দোর হোলদা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা মনিপুর ষ্টেট কম্মীসন ফোর সেদ্যুল ত্রাইব চিয়রপরসন থুইগাই মাথিউ রোংমৈনা অসুমা হায়-

**--সাউন্দ মাথিড--**

থৌরম অদুদা দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিস্ত্রেসনগী মকোক থোংবা ওফিসিয়েলশিং অমসুং মহৈরোইশিংনা শরুক য়াখি।

**চেং(এল)ঃ** হন্দক্কী লেন য়াওবা নোংলৈ নুংশিৎ অদুনা অৱাবা তাহল্লবা ৱাংজিং তেন্থা কেন্দ্রগী মীয়ামদা নফশাগী চেং ফংহনবিনবা মফম অদুগী মীয়ামা মরী লৈনবশিংগী পুকিং চিংশিল্লক্লি। কেন্দ্র অসিগী মনুংদা লৈবা তোঙান তোঙানবা ক্লব অমসুং ওর্গনাইজেসনশিং অমদি মৈরা পায়বিশিংগী মীহুৎশিংনা ঙসি পাঙথোকপা পাউগী মীফম অমদা ৱাফম অসি ফোংদোরকপনি।

অমরোমদা, নোনে জিলাগী ওইনা প্রধান মন্ত্রি গারিব কাল্যিান অনা যোজনাগী চেং মতম চানা ফংদ্রিবা অসি য়েংশিনবিনবা মুভমেন্ত ফোর পিপলস রাইট ফোরম মনিপুরনা হায়রিবা মীওইশিংগী পুকিং চিংশিল্লক্লি।

**ৱাকসোপ(এল)ঃ** রেকোর্দস মেনেজমেন্ত এন্দ আরকাভেলগী মতাংদা নুমিৎ নিনি চথুরকপা ৱার্ক্সোপ ঙসি লোইশিনখ্রে। মনিপুর ষ্টেট আর্কাইবসনা নেসেনল আর্কাইবস ওফ ইন্দিয়া ন্যু দিল্লিগা খুৎশমদুনা চথুরকপা ৱার্ক্সোপ অসিগী ঙসি অরোইবা নুমিৎতা নেসনেল আর্কাইবস ওফ ইন্দিয়া ন্যু দিল্লিদগী লাকপা এক্সপার্টশিং দোক্তর কেসব চন্দ্র জেনা, ডা: থিংনাম সঞ্জিব অমসুং নাওরোইবম রাজ্ সিংহনা তোঙান তোঙানবা হিরমশিংদা ৱা ঙাংখি। লোইশিনবগী থৌরম অদুদা মনিপুর ষ্টেট আর্কাইবসকী দিপ্যুতি দিরেক্তর ৱাই. য়াইমা দেবী শরুক য়াখি।

**মীলাল(এল)ঃ** অসামগী কছারদা চোইনা খুন্দারিবা মনিপুরিশিংদা মীতৈ ময়েক তন্বীবা চৎলিবা মীলালগী থৌমী মরি ঙসি ইম্ফালদা লৈবা মীলালগী ময়াই লোইশঙদা লুপ অসিগী প্রসিদেন্ত খায়দেম ইঙোচা মীতৈনা লোইশিন্দুনা হরাও তয়ামা ওকখ্রে । অমরোমদা, ঙসি পাঙথোকখিবা মীলালগী মীফমনা ইম্ফাল ইষ্ট, ইম্ফাল ৱেষ্ট, থৌবাল,বিষ্ণুপুর অমসুং ককচিং পানাশিংগী ওইনা থৌপুগদবা মীওইশিং খল্লে হায়রি।

**মীতৈ(এল) ঃ** মীতৈবু এস.টি.লিস্তা অথুবদা চলহনগদবনি হায়দুনা ঙসি ককচিং জিলাগী থৌনাওজমদা লৈবা য়ুরেকা একাদমিগী মহৈরোইশিংনা খোংজং চংশিনখ্রে।

**তুরেল(এল)ঃ** চরাংপাৎ হায়স্কুলগী অৱাং থংবদা চেল্লিবা অরোং তুরেলগী মহৌশাদগী লৈজরল্লিবা শক্তম থুগাইবা য়ারোই হায়দুনা ঙসি মফম অদুদা মীয়ামা ৱাকৎ মীফম পাঙথোকখ্রে।

**ত্রেনিং(এল) ঃ** নেসনেল লাইফ স্তোক মীসনগী মখাদা দিষ্ট্রিক্ট ভেতিরিনরি ওফিস থৌবাল- ককচিংনা শিন্দুনা য়েন, ঙানু অমসুং ওক লোইবগী মতাংদা ত্রেনিং প্রোগ্রাম অমা ঙসি রিপ্রজেন্তেতিব ওফ লোইজ ওফিস ককচিংদা পাঙথোকখ্রে। অখঙ অহৈ কয়ানা তাকপী তন্বীখিবা ত্রেনিং প্রোগ্রাম অদু মীওই ১০০ শরুক য়াখি।

**কেম্প(এল)ঃ** থৌবাল কলেজকী এম.এস.এস য়ুনিত ৱান, টু অমসুং থ্রিনা পুন্না শীন্দুনা নুমিৎ ৭ নি চুপা পাঙথোক্কদবা এন.এস.এস স্পিসিয়েল কেম্প ঙসি কলেজ অসিগী মল্টি পরপজ হোলদা হৌখ্রে। গ্রিন ইন্দিয়া, ক্লিন ইন্দিয়া হায়বা হিরমদা পাঙথোকপা কেম্প অদু হৌদোকপগী থৌরমদা থৌবাল কলেজকী প্রিন্সিপাল প্রোফেসর এম.বিনা দেবী অমসুং কলেজ অসিগী ওজাশিং অমদি মহৈরোইশিংনা শরুক য়াখি।

**কম্পীতিসন(এল)ঃ** নেসনেল এন্দেজর স্পিসিস দেগা মরী লৈননা ৱাংজিংগী ৱাই.কে কলেজতা ঙসি রাজ্য থাক্কী এক্সতেম্পর স্পিস অমসুং স্পোট পেন্তিং কম্পীতিসন পাঙথোকখ্রে। কন্নেক্তিং পীপল এন্দ প্লানেট - এক্সপ্লোরিং দিজিতেল ইনোভেসন ইন ৱাল্ডলাইফ কঞ্জরবেসন হায়বা হিরমদা থৌরম অদু পাঙথোকপনি।

**জিৎকুন্দো(এল)ঃ** ১৩ শুবা ষ্টেট লেভেল জিৎকুন্দো চেম্পীয়নসিপ থা অসিগী ১৮ দগী ১৯ ফাওবা খুমন লম্পাক্কী ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা পাঙথোক্লগনি।

**কাং(এল)ঃ** অহানবা ককচিংতাবম কুঞ্জাবি শর্ম্মা মেমোরিয়েল লিগ কম নোক আউট কেন্দ্রৱাইজ কাং টুরনামেন্ততা ঙসি শান্নখিবা ৱাঙ্গোই কাংখুৎনা শিংজমৈ-বি কাংখুৎপু পাঞ্জল ২০-১৫ দা মাইথিবা পীখ্রে। হয়েং শিংজমৈ-এ কাংখুৎকা থাংমৈবন্দ কাংখুৎকা শান্নগনি।

**--অকাশবানি ইম্ফালদগী পাউ তাবিরি---**

**ই.সি.আইঃ** বি.জে.পিগী মীরেপ অভিজিৎ গঙ্গোপাধিয়াইনা নোংচুপ বেঙ্গলগী মুখ্য মন্ত্রি মমতা বেন্নরজিগী ময়োক্তা ফজদবা ৱাহৈ শিজিন্নদুনা ৱা ঙাংলুবগীদমক ইলেক্সন কম্মীসন ওফ ইন্দিয়ানা সো-কোস নোতিস থাখ্রে।

কম্মীসনগী পাউনা হায়- শ্রী গঙ্গোপাধিয়াইগী ৱা ঙাং, ৱাহৈ ৱাতাশিং অদু অহানবগী ওইনা য়েংশিনবদা মীখলগী মোর্দন কোদ ওফ কন্দক থুগাইরে হায়বা খঙবা ঙন্লে। মরম অদুনা শ্রী গঙ্গোপাধিয়াইনা হিরম অসিগী মতাংদা মহাক্কী মথক্তা করিগীদমক থবক লৌখৎলোইদগে হায়বগী মতাংদা নিংথৌকাবা নুমিৎ ফাওবগী মনুংদা পাউখুম পীরকবা কম্মীসননা খঙহনখ্রে।

**কোস গার্দঃ** ভারতকী সমুদ্রদা আইন কায়না ঙা ফারম্বা শ্রীলঙ্কাগী হি মঙা ইন্দিয়ান কোস্ গার্দনা ফারে। কোস্ত গার্দকী জহাজ-রাণি দুর্গবতিনা পাল্ক ষ্ট্রেট মনাক্তা পেত্রোল্লিং চৎলিঙৈদা তামিল নাদুগী সমুদ্র খোঙবানগী পোইন্ট কালিনিয়ারদগী মাইল ১৫ রোম লাপা চিংন্নিংঙাই ওইবা ঙা ফাবগী হিশিং অদু উখি। হি মঙামক্তা ঙা ফাবগী খুৎশু খুৎলায় পুমমক য়াওই অমসুং ভারতকী সমুদ্রগী লম মনুং য়ামা হেনজিন্না ঙা ফারমখি।

শ্রীলঙ্কাগী মীওই ১৪ য়াওবা হি মঙা অদু এম.জেট.আই. এক্ট ১৯৭৬ কী চৎন-কাংলোন থুগায়বগীদমক ফাখি। হিশিং অমসুং মদুদা য়াওবা মীওইশিং অদু মখা তাবা আইনগী থবক লৌখৎনবগীদমক নাগাপতিনমদা লৈবা কোষ্টেল সেক্যুরিতি গ্রুপতা শিন্নরগনি হায়রি।

**ফিল্ম ঃ** ফ্রান্সতা চথরিবা ৭৭ শুবা কেন্স ফিল্ম ফেস্তিবেলদা ইনফোর্মেসন এন্দ ব্রোদকাস্তিং মন্ত্রালয়গী সেক্রেটরি সঞ্জয় জাজ্না ৫৫ শুবা ইন্দিয়া ইন্তরনেসনেল ফিল্ম ফেস্তিবেল (ইফি)গী ওফিসিয়েল পোস্তরগী মায়খুম হাংদোকখ্রে।

৫৫ শুবা ইন্দিয়া ইন্তরনেসনেল ফিল্ম ফেস্তিবেল চহি অসিগী নভেম্বরদা গোৱাদা পাঙথোক্কদবনি। থৌরম অদুদা ফিল্ম মেকর অশোক অমৃট রাজ ,রিসি মহেতা , শৈশকপা সান, এক্তর -রাজপাল য়াদব অমসুং শকাইবা মীওই কয়া শরুক য়াখি।

**--অরোইবদা মরুওইবা পাউ অমুক --**

১) ৱার্ল্ড হায়পরতেন্সন দেগী থৌরম ঙসি মনিপুরদসু মফম কয়াদা পাঙথোকখ্রে।

২) অঙাংশিংবু দ্রগকি চৈথেংদগী কলহৌনবা মহৈশঙশিংদা কাউন্সিল্লরশিং থন্বা তঙাই ফদ্রে হায়না মনিপুর কম্মীসন ফোর প্রোতেক্সন ওফ চাইল্ড রাইটসনা হায়রি।

৩) রাজ্য অসিবু হেন্না চাউখৎহন্নবগীদমক রাজ্যপাল অনুসুইয়া উইকেনা তোঙান তোঙানবা মীওইশংগা উন্নখ্রে।

৪) বি.জে.পিগী মীরেপ অভিজিৎ গঙ্গোপাধিয়াইনা ফজবা ৱাহৈ ৱাতা শিজিন্নরুবগীদমক ইলেক্সন কম্মীসন ওফ ইন্দিয়ানা সো-কোস নোতিস থাখ্রে।

**অমসুং**

৫) ভারতকী সমুদ্রদা আইন কায়না ঙা ফারম্বা শ্রীলঙ্কাগী হি মঙা ইন্দিয়ান কোস্ত গার্দনা ফারে।

**--- পাউ লোইজরে---**